## এডিটোরিয়েল

### অথৌবা হাইপৌ জাদোংনাং

#### মীপাল তাংদনা হিংবা পাম্বা ফিদম্নিঙাই ওইবা লুচিংবনি

মরৈবাক মরমদম নুংশিজবা মীওই হায়বসি কনানো, মঙোন্দা করি মতিক ময়াই চেনগদগে হায়বা ৱাহং অসিগী পাউখুম খুম্বা লুনা থোক্লগসু লৈবাক অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবশিং অদু মরৈবাক মরমদম নুংশিবা মীশকশিংনি হায়বা য়াই। মতম মতমদুগী লৈঙাক্কী মতমদা মখোয়বু খ্বাইদগী তমথিবা, মীওইবনা হঙ্গোইনিঙাই ওইবা মীশক ওইনা উহন্নবা মখল মখা কয়াগী অথিংবা থমখিবা মীওই কয়া লৈঙাক অদুনা লোইখ্রবা তুংদা মীওই অদুগী অপাম্বা অমসুং অনিংবা অদু খঙলক্লবা মতমদা লৈবাক্তুগী হেরো ওইনা শকখঙনরকপা মীওই কয়া য়াওখিদবা নত্তে। মখোয়গী মরক্তা কবুই ফুরুপতগী চহী নৌনা পুন্সি কৎখিবা অথৌবা হাইপৌ জাদোংনাংসু অমনি হায়না লৌবা য়াই। মীপাল তাংদনা হিংবা পাম্বা, মশাগী লাইনিং লীচৎপু হিংহন্নবা হোৎনরম্বা অমসুং জেলিয়াংরোং ফুরুপপু খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা পুখৎননবা হোৎনখিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা মহাকসু ওইবা মরম্না ঐখোয় পূন্নমক্লা হাইপৌ জাদোংনাংবু ফিদম্নিঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি হায়না লৌবসু য়াই। হাইপৌ জাদোংনাং কুমজা ১৯০৫ দা তমেংলোংগী কম্বীরোন খুলদা তাইবঙ খোঙদারকখিবনি। অঙাং ওইরিঁঙেদগী হৌনা মথৌনা মরৌশিং লৈবা অমসুং মরমদমবু নুংশিজবগী ৱাখল্লোন চেনবা মীশক ওইরকখি। মদুমক্লা মরম ওইরগা বৃটিশ লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা চীংগী লমশিংদা লাকপদা খুঞ্জাশিংবু নমফুদা মমল অমত্তা পীদনা পোত্থাং পুহনবা, য়ারেক চাকথাক পীহনবা অমসুং নমফুদা থবক শুহনবা অমদি য়ূমথোং খূদিংগী টেক্স থিহনবগী মায়োক্তা লেপখি। মীওইবগী ফঙফম থোকপশিং মাঙহনবা বৃটিশপু শিংনদুনা মখোয়দগী মনীং–মখা তমহন্নবা ইহৌ হৌরকখি। লোয়ননা মহাক্লা নাৎকী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোন নৌহৌননা য়োকখত্তুনা মপাঙ্গল লৈবা জেলিয়াংরোং ফুরুপ ওইহন্ননবা হোৎনরকপা অদুবু বৃটিশনা তুমিন্না য়েঙদুনা লৈবা ঙমখিদে। মহাক্লা চত্থরকপা লাল্লোং কয়াদা কোক চিক্লকপদগী লান্না অরানবা, য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়ামরুম শন্দোক্তু না মীয়ামদা মহাকপু লান্না উহন্নবা হোৎনরকখি।

হাইপৌ জাদোংনাং মশাগী চহী ২৬ শুরকপদা মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৩১ গী ওগষ্ট ২৯ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তারকপদা হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী সেন্ত্রেল জেলগী মনিংথংবদা লৈবা নম্বুল তুরেল মপালদা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখি। তোঙান তোঙানবা মীহাৎপগী মরাল অমসুং বৃটিশকী মায়োক্তা লাল হৌবগী তেকচাক পূন্নমক নমশিনদুনা মহাক্কী ৱাকৎচনবগী মফম অমা ফাওবা পীদনা পুন্সি লোমহনখি। অসিগুম্বা লুচিংবা অসি মতম শাংনা খুনাই অসিনা মশক খঙবীদনা লৈরকপদু হৌজিক্তি মহাক্কী ৱাখল্লোন অমসুং অনিংবা অপাম্বা অমদি মহাক্লা তৌখিবা থবকশিং অদু মশক খঙনরকপগা লোয়ননা মতমদুগী হেরোনি হায়না লৌনরক্লে। মসিমক্লা মরম ওইরগা মহাক্কী লৈখিদবা নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না চহী খূদিংগী ইকায় খুম্নবা উৎপগী চাং হেনগৎনরক্লি। ঙসি অসি মহাক লৈখিদবগী নুমিৎনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহাকপু ইকায় খূম্নবা উৎননবা থৌরাং তৌবা লোইখ্রে। অদুবু লুরিবদি মহাক্লা জেলিয়াংরোং ফুরুপপু মপাঙ্গল কনখৎননবা হোৎনরম্বশিং অমসুং জেলিয়াংরোং ফুরুপকী ওইবা লাইনিং লাইশোল হিঙ্গৎহন্নবা লৌরম্বা থৌদাং অদুদি মরুওইনা কবুই ফুরুপশিংনা কাউথোকখিবদৌনা তৌরে। মশা মশাগী নাৎকী ওইবা চৎনবীশিং ঙাক্তুনা থল্লগা য়াওলগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা খুনাইলোনদা পুশিনবা ঙম্ননবা লুচিংবা লৈরক্তবদগী হৌজিক্তি মশাগী ফুরুপ থাদোক্লদুনা অতোপ্পা লাইনিং লাইশোনদা ওন্থোকখিবা মীওই কয়ামরুম য়াওরে। মসিমক্তি অথৌবা হাইপৌ জাদোংনাংগী অপাম্বা নত্তে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হাইপৌ জাদোংনাংনা মপুন্সি কৎখিবদু মীওইবা খুনাইগীনি। মীখা পোন্না লৈনিংদবদগী বৃটিশকী লোশিং ইল্লু হায়বা য়াদবগীনি। মশাগী শক্তম অমসুং নাৎ ঙাক্তুনা থম্বনা মীওইবগী পুন্সিদগী হেন্না মমল য়াম্মী খনখিবা লুচিংবা অসিনা পামজরম্বা থবক থৌরমশিং অদু ঐখোয় পূন্নমক্লা ৱাখল খন্থরগা খুদুং ইনবা ঙল্লবা মতমদতা অথৌবা হাইপৌ জাদোংনাংদা ঐখোয়না মপুং ফাবা ইকায় খুম্নবা উৎলে হায়না লৌগনি। ৱাখল্লোন অসিদা ঐখোয় পূন্নমক্লা অথৌবা অসিগী মপোক নুমিৎ অসি পাঙথোকমিন্নসি হায়জনিংই।

[illegible]

# “ইরোলনা ইজরবদি চাংয়েংদা মায় পাকপগী চাং হেনগৎলক্কনি”

**য়েন্নীংথাগীদমক**

**ডা. এন. সি. শান্ত**

মহৈগী চাংয়েংদা ইবগী পাউখুমচেদা য়ারিবমখৈ মমালোন্দা নৎত্রগা ফাউদোক ফাউজিন ওইবা লোলদা ইরবদি মহৈরোইশিং অয়াম্বনা লায়বা ওইদুনা হেন্না পাউখুম চেদা মমুৎ তানা ইবা ঙমগনি। অদুবু কংলৈপাক লমদম অসিদদি ঙসি ফাওবদা মমালোল মণিপুরী লোলদা অইবগী চাংয়েংদা ইজবা য়াদ্রি। কনানা থিংবনো খঙদে। চৎনবীরা খঙদে। লোলদা মীখা অদুমক পোল্লি। তশেংনা লমদমসিগী ওইবা লোল হায়রগদি মণিপুরী লোলনা ওইরি। করিগুম্বা, মণিপুরী লোলনা ইবগী চাংয়েংদা ইজবা য়ারবদি য়ামদ্রবদা মায় পাকপগী চাং অসি চাম্মদা ১০ দগী২০ ফাওবদি হেনগৎপা ঙমগনি হায়না পানরি। মরমদি ইংলিশ লোল খঙদবনা মরম ওইরগা মহৈরোই কয়াদি পাউখুম চেদা মপুং ফানা ইজবা ঙমদে। মরম অদুনা ইবগী চাংয়েংদা মায় পাকপগী চাং হন্থরক্তুনা মহৈরোই কয়াগী মরাইবক লান্না লমজিংবীদুনা চাংয়েংদা মায়থিদুনা নীংবা কায়দুনা মখা তানা মহৈ তম্বা থাদোক্তুনা অরানবা খোঙথাং থাংখিদবা নত্তে।

খ্বাইদগী ঙক্লিবদি, ঙসিগী চাউখৎলবা মতম অসিদা মহৈগী থাক ১০ গী মতুংদা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা খুনাইরোল শেমগদৌরিবা নহারোল খূদিংদা মমালোল ফাওনলোল অসিনা মখোয়গী মশাগী লমদমদা, মশাগী মহৈ তম্বদা, অইবা চাংয়েংদা ইবা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফঙবা ঙমজদবসি য়াম্না লাইবক থিনিংঙাই ওইরি। মসিমক লমদমসিগী মহৈ তম্বদা ফঙবা ঙমজদ্রবা ফঙফম থোকপা অমনি। তশেংনা ষ্টেট অসিগী থাক্তা লাকখ্রবা চহী ৪০ গী মতুং ফাওবদা লমদমসিগী ফাউনলোল ওইরিবা মণিপুরী লোলনা অইবগী চাংয়েংদা ইবা য়াবগী ফঙফম থোকপা খূদোংচাবা ফঙদবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসি চৎনবী নত্তে, রুল নত্তে। ঐগী ৱাখলদদি লমদমসিগী মীয়াম মীৎকপ থোকপা ৱাৎলবরা খল্লি।



ফোটো ঃ ফাইল

ঙসিগী স্কুল, কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা মহৈরোইশিংনা পীবা পাউখুমগী মতুং ইন্না চপ চানা ৱাহংগী পাউখুম খঙলবসু ইংলিশ লোলগী ইবগী খূদেংচাবা মায়কৈ কয়াদা হায়বদি, গ্রমারদা, কম্পোজিসন্দা, এক্সপ্রেসন্দা অমসুং মমুৎ তানা নৈনবদা খঙবা ৱাৎপনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা মার্ক ৱাংবখক্তা নত্তনা মায় পাকপগী চাং ৱাৎলি হায়বসি খঙবা ঙম্মী।

অমরোমদা ক্লাসরুমদা ওঝাশিংনা হংবা ৱাহং ফাওবদা খুদক্তা ইংলিশতা পাউখুম পীবা ঙমদবনা খঙদবা হৈতবা মহৈরোই ওইনা উবসু য়াওদবা নত্তে। অমুক্কসু ইংলিশ মেদিয়ম মহৈ তম্ফমদগী হৌরকপা মহৈরোইশিংগী মহৈগী থাক ১০ গী মতুংদা থোইদোক্লা খূদোংচাবা কয়া ফঙবা ঙল্লি। হায়বদি মখোয়দা ইংলিশ শীজিন্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা হৈ–শিংবা ৱাংবনা চাংয়েংদা নীংথিনা মায় পাকপা ঙম্মী। অদুবু, ইংলিশ মেদিয়ম ওইরক্তবা মহৈরোইশিংগীদি থাক ১০ গী মতুংদা য়াম্না চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লে। খূদোংচাদবশিংগী মনুংদা ক্লাসতা ওঝানা ইংলিশতা তাকপা তম্বীবা মতমদা খঙবদা ৱাবা কয়া লৈ। অসিদসু নত্তনা লাইরিক খূদিংমক ইংলিশতা ইরিবদুদা ময়েক শেংনা পাদুনা খঙনবা হোৎনবদসু হেন্না অৱাবা ওইরি। চাংয়েংগী অইবা মতমদসু ইংলিশতা মপূং ফানা ইবা অমদি ফোঙদোকপা ঙমদদুনা মায়থিবা মায় পাক্তবা ওইবগী লম্বীগী চাং ৱাংনা লৈরি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা চহী খরগী মমাঙদা মহৈগী থাক ১০ গী মখাগী থাকশিংদা হীরম (সবজেক্ট) খূদিংমক্কী মণিপুরী লোলদা লাইরিক ফোঙবা থেংনজে। মহৈ তম্ফমদসু তম্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি মহৈ তম্ফমশিংদা মহৈগী থাক ১০ গী মখাদা তল্লিবা হীরমশিংদা তল্লিবা লাইরিকশিং মপানগী লোলদা ইংলিশ খক্তদা ওইনা ফোঙবা থেঙনৈ অমসুং তম্বসু তল্লি। মসিদা কনানসু করিসু হায়বা লৈতে। গভর্নমেন্টেল ওথোরিটিগী মায়কৈদগীসু করিসু খঙহনবা তৌবা উদে। চুম্নগী মহৈ তম্বা তারবসু কাঙলোন য়াওদবা মওং অমদি অদুমক উদবা নত্তে।

মহৈ তম্বগী অমসুং লাইরিকশিংগী মশক অসি নৈনবা তারবদি মহৈ তম্ফমশিংদা মমালোন নৎত্রগা ফাউনলোলগী চাউরবা থৌদাং লৈবনা চপ চাবা খোঙথাং অমদি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোক্তে হায়বদি লানগনি। মসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ করিনো হায়বা লৈখাই তাবা ৱাৎলি। মরমদি হৌজিক লৈরিবা মহৈ তম্ফমশিংদা মহৈগী থাক ১০ গী মখাদা তল্লিবা অমসুং তম্বীরিবা মওং অদুগা লাইরিকশিং অসি করম্বা মেদিয়মদা হায়বদি মমালোল নৎত্রগা ইংলিশ লোলদা ওইরিবরা হায়বসি চপ চানা লৈতবা মাল্লি। অদুম ওইনমক ইংলিশ মেদিয়ম ওইবা লন্নাই মহৈতম্ফমশঙশিংগীদি চপ চানা ইংলিশ মেদিয়ম ওইনা তাকপীবদা অমসুং লাইরিকশিংদা চপ–চাবা ফিরেপ লৈজে। লাইবক থীবদি গভর্ণমেন্টকী মহৈ তম্ফমশিংদদি চপ চাবা ফিরেপ লৈতবা মওংদা তাকপী তম্বীবগী অমসুং লাইরিকশিংগী মওং লৈবা মাল্লি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবা অমদি ওইরি।

অসুম্না চত্থরকপা থৌওং ওইবনা, ইরোল অমসুং ইয়েক কাউশিল্লক্লবগী চাউরবা মরম ওইরকপা তাবনি। ইরোল–ইয়েক মীনা মশক খঙবীবা হায়বসি ইশাগী মীওইশিংনা ইরমদা মশক থোকনা চাউনা চাউখৎনা শীজিন্নবা অমদি চঙই। মসিদা মপানগী মীওই অমত্তনা ইশাগী ইরমদমগী ইরোল–ইয়েকপু চাউখৎনবা অহানবা খোঙথাং ওইনা লৌখৎপীরক্কদবা লৈতে। পূন্নমক্লা মসি খঙবীবা অমা চঙই।

খূদোংচাদবা মওং অমদি উবসু ফঙই। মদুদি লমদমসিগী ফাউনলোল ওইরিবা মণিপুরী লোল, কংলৈ–লোলগী শীজিন্নবা ঙম্বগী থাক্লা করম্বা থাক্তা হীরম (সবজেক্ট) খূদিংমক্কী ইথোকপা লৈরবগে, ইথোকপা ঙল্লবগে হায়বসু নৈনদবা য়ারক্তে। হায়নিংলিবদি বঙ্গালি ময়েক্তা মহৈগী থাক ১০ গী মখাগী লাইরিকশিং ফোঙলমদুনা তমখ্রগা মতুং তারকপদা করিগী কংলৈ ইয়েক্তা ইথোকপা য়াদ্রিবনো? লোলগী তোঙানবা দাইরেক্টর হাংখিবসু কুইখরে। খোঙথাং তপমনবা ওইদবরা? মীপাল তাংদবা লোলনি হায়বদি তাজে। ফাগী তাবা য়াবা মানবা মওংদা ৱাহৈ কয়ানা হীরম (সবজেক্ট) কয়াগী শীন্দোক শীনজিন্দা খূদোংচাদবা ওই হায়বা কয়াসু লৈতবা নত্তে। মদু ওইদুনসু অমুক্তা শীজিন্নরক্তবা ওইবনা ৱাহৈ অনৌবা মানবদৌনা মীনৌ নহা কয়ানা অরিবা লোল ওইবা ইরোল ইয়েকপু ফাগী মানবা লোল ওইনা ৱাহৈ ওইনা খন্নবা য়াওদবা নত্তে।

অসুম্না কংলৈলোল ইরোল ফাউনলোলগী থাক্কী চাউখৎ খোঙথাংদা চাউরবা থৌদাং কয়া লমদমসিগী মীয়ামগী শীজিন্নবা অমসু ং চৎননবগী খোঙথাং লৌখৎকদৌরিবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মতম চানা থবক লৌখৎহন্নিংই। মসিনা মরম ওইরগা, ঙসি ফাওবদা, চাউখৎপগী থাক্লা খম থেংলবা মতম অসিদা লমদমসিগী ফাউনলোল, ইরোলনা শীজিন্নদবনা মরম ওইরগা অরিবা হান্নদগী লাক্লবা ৱাহৈ –ইরোল কয়া নৌহৌননা নীংশিংবদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরি। মসিনা মরম অমুক্কসু ওইরগা মহৈগী থাক ১০ গী মতুংদা হীরম (সবজেক্ট) খূদিংদা ইমালোল ইরোল ফাউনলোল মণিপুরী লোলনা নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমদবখক্তা নত্তনা অইবগী (ইবগী) চাংয়েংদা ফাওবা শীজিন্নদুনা ইরায় লায়না ইদুনা চাংয়েং খূদিংদা থাক ৱাংনা মায় পাক্কদৌবদগী নাম্থোক্তুনা মায়থিবগী থাক্কী চাংনা ৱাংনা লাক্লি। মসিগীদমক ইহৌ অমা হৌবা চুমদ্রিবরা?

# ইকায় খঙদবা মপান থোকপা

**বীজয় মঙাংচা , ৱাংখৈ**

ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা থিংবা ঙমদবা ফৎত্রবা ইকায়বা খঙদবা লায়না অমনা লৈবাকসিগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা শন্দোরক্লি। ইকায় খঙদবা লায়না সিদি লায়েংলগা ফগদবা লায়না অমদি নৎত্রে। মশা মশানা লায়েংজরগা ফহনবা নত্তনা মহাকপু লায়েংনবা হীদাক মালেমদা হীদাক ফঙলোই। শাবসু ঙল্লোই। লমদমসিদা লৈরিবা মরুওইনা তম্পাক লমদমদা খুন্দারিবা মীতৈ ওইগেরা বামোন ওইগেরা পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরম (কর্ম্ম) য়াম্না কুংনা পাঙথোকপা জাতি কাঙলূপ অনীসিগী থবক থৌরম খূদিংমক হায়বদি লুহোংবা হায়গেরা নৎত্রগা পুন্সি লৈপুন হায়গেরা, শোরাৎ হায়গেরা লান্ন–থৌরম হায়গেরা মহাক মহাক্লা পামজবা মওংদা পাঙথোক্লরিবা থৌরমশিং অসিদা ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী মীওই কাঙলূপ অমদি ইকায়বা হায়বদো মশাদা মচেৎ অমত্তা য়াওদবা মীয়াম্না করি হায়নখিনি হায়না মশানা খঙজদবা খঙলবসু খঙশিন্নদবা মীওই কাঙলূপ অমদি লৈকাই লৈকাইদা লৈরে হায়বা অসিদি পুকচুম চুল্লবা ৱাফম্নি। পাঙথোক্লিবা থৌরম অদু ইনাক খুনবগী অচৌ অশাংগী নৎত্রগা লায়রবা ইমুংগী ৱানা পাঙথোকচবা ওইবা য়াই। হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা চৎনবী অমা ওইনা লৈকাই লৈকাইদুদা লৈরিবা অহল ওইরবা ইপা–ইপু ওইবশিংনা মান্দব ময়োন্দা তৌজরিবা থৌরম লূহোংবা নৎত্রগা শোরাৎ অদুগী লৈতেং ওইনবা খুনাইসিগী চৎনবী অমা ওইনা লৈকাইদুগী অহলশিংবু মমাঙদা ফমহনবগী চৎনবী অমা লৈ। কর্ম্ম তৌজরিবা ইমুং অদুগী মচা–মশুশিংনা মকোক নোন্ন খুরুমজদুনা পাঙথোকচরিবা থৌরম অদু অকায় অতোই থোক্তনবা ঈশ্বরদা থৌনিজরিবনি। অশুক ফজখ্রবা ঐখোয়গী চৎনবী অসি মালেমগী মফম অমদা লৈরমগদবা মান্দে। থক–খা নাইনা চৎপা লমদমসিগী ফজখ্রবা চৎনবী অসি ঙসিদি লৈকাই লৈকাইদা ইকায়বা খঙদবা অরেম্বা পাম্বা অচোপ–অরেং খঙদবা মীওই কাঙলূপ অমনা লৈখা তানা চিংথদুনা মাঙহনবগী থাক অমদা লাক্লে। অসিগুম্বা ইকায়বা খঙদবা মীওইশিং লৈরমগনি খনবদগী নুংশিখ্রবা মরূপ মপাংগী দেব –কর্ম্ম চৎনিংদবগী মওং লাক্লে। মতিক মপা চাদনা ইকায়বা হায়বদো মচেৎ অমত্তা য়াওদনা মখোয়বু পোকপা য়ারিবা অহল–লমনশিং, ইপা –ইপলশিং অদুগী মরক্তা য়েপশিন্দুনা শুরু শুরু নৈশিন্দুনা মকা লাম্না ফমজরিবা অহলশিং অদুদা অয়েৎপা পীদুনা ফমজিল্লিবা ইজ্জৎ য়াওদবা মীওই কাঙলূপ অসি নোংমা নোংমগী লমমসিদা মশীং হেনগৎলক্লি। লমদমসিদা কনানা হৌদোক্লম্বনো খঙদবা চৎনবী ওইরগা পৈশা থাবা হায়বা চৎনবী অসিগী মনুং চন্না ভাবক মমাই তাবা হায়গেরা, তেংবা হায়গেরা মমাঙদা থৌরমদুগী লৈতেং ওইনা ফম্বীরিবা অহলগী মতম ওইরবা ইপা–ইপল, ইপুশিং অদুদা থৌরম পাঙথোকচরিবা ইমুংদুগী মীওইশিংনা ঙমজবা লুপা ১০ / ১০ দং কৎচরগা থৌরমদো লোইবা ফাওবা য়াওবীনবা খুরুমজদুনা হায়জবা নোঞ্জবা ঐখোয়গী ফজখ্রবা চৎনবীনি। অশুক ফজখ্রবা চৎনবী অসি ঙসিদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী খ্বাইদগী তমথিবা লায়না লাইচৎ অমা ওইনা ওন্থোকখ্রে। ইকায় খঙদবা মীওই কাঙলূপ অসিনা ইকায় –ইকি পূন্নমক থাদোক্লগা কর্ম্ম মমাঙ ফম্নবা হোৎনবদা কর্ম্ম শোল্লিবা ইমুং–মনুং তশেংনা মখোয় লাক্কনি খনবদা ইমাগী ইপাগী কর্ম্ম শোনবা তনবগী থাক অমদা লাক্লে। ইমুং–মনুংনা চত্তুনা হায়চরুবা লৈকাইগী অহল–লমনশিং খরা ঙন্না লাকহৌদ্রবদি ফমফম ফঙদরে। অহলশিংনা ফমজগদবা ইমুং মনুংনা চৎলগা হায়জরুবা অহলগী মতম ওইরবা কলাক কুরু কারবা শোল্লবা ইপা–ইপলশিং অদুনা মান্দবকী মচি অমদা তুমিন্না তাশিল্লগা ফমহনবা অদুগা অহলশিং অদুনা ফমগদবা ফমফম অদুদ ইকায়বা মচেৎ অমত্তা খঙদবা মমায় পানদবা মীনা করি হায়না হায়খিনি হায়বা মশানা খঞ্জবা ঙমদবা, অচোপ অরেং খঙদবা চৎনবী খোঙ্গাওনবা

*লমদম লমদমদা লৈবীরিবা ঐখোয়গী ইচিল–ইনাওশিং, ইয়াম্বশিংনা চহী মতাং চাদনা মতিক মপা চাদনা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা খঙদনা অহল–লমনগী ফম্ফম মুল্লিবা, মান্দব ময়োন উবা য়াদবা মীরক তিন্দবা মীওইশিংদু মরূপ মপাং ওইবীরবদি ফজনা মচা খায়না লমদমসিদা চৎনরিবা নীতি–নীয়ম চৎনবী নহা–অহল ওইবশিংনা তৌরোইদবা লমচৎ শাজৎ, অহল লমনশিংদা পাপ লংশিনবা তৌহৈদবা হৌনদবা, মপা –মপু চেন্থবা, ইকায় খঙদবা মখোয় মখোয়গী শাজৎ লীচৎ অদু অমুক্তং মশানা খঙনা শেমদোকচনবা খঙহনবীবা তাকপীবা য়াম্নমক দরকার ওইরবরা হায়না খঞ্জে। মতম চানা থিংহৌদবা তারবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীমাঙ থোকপা ইকায়বা চোপ্পা নংবা হায়বা অসিমদি শোয়দ্রবনি।*

মশাগী ওইজবদা লাইনিং ওইবা কাংবুনা ফমজিনবা হায়বসি পাপ পুগদবা থৌওংনি। সমাজসিগী ফজখ্রবা নীতি নীয়ম, চৎন–কাঙলোন, অহল–লমনগী পাউতাক তুংওইনবা মঙক কনবা মীওই কাঙলূপ অসি লমদমসিগী মীপুম খূদিংনা মতাং চানা অমুক্তং ফজনা ঐখোয়গী লৈজরিবা চৎনবী, চৎনা কাঙলোন, নীতি–নীয়ম, অহল–লমনগী মফমদা ফমগদবা ইকায় খুমনবা, চৎনবী, নহাশিংনা তৌগদবা তৌরোইদবা অদু ফজনা ইকায় খঙদবা মীওই কালূপ অসিদা ফজনা ময়েক শেংনা মচা খায়না তাকপী তম্বীবা মথৌ তারবরা খল্লি। মদু নৎত্রবদি ঐখোয়গী চৎনবী অহল–লমনশিংবু ইকায় খুমনজবা, ইপা –ইপুশিংবু কিনা হঙ্গোইনা চৎচবা, থক–খা নাইনা চৎলিবা, লমদমসিগী মীওইশিং অসি মতম খরা লৈরবদি ওন্থোকপা থাক অমদা লাকপা য়াই। লমদম লমদমদা লৈবীরিবা ঐখোয়গী ইচিল–ইনাওশিং, ইয়াম্বশিংনা চহী মতাং চাদনা মতিক মপা চাদনা ইকায়বা মচেৎ অমত্তা খঙদনা অহল–লমনগী ফম্ফম মুল্লিবা, মান্দব ময়োন উবা য়াদবা মীরক তিন্দবা মীওইশিংদু মরূপ মপাং ওইবীরবদি ফজনা মচা খায়না লমদমসিদা চৎনরিবা নীতি–নীয়ম চৎনবী নহা–অহল ওইবশিংনা তৌরোইদবা লমচৎ শাজৎ, অহল লমনশিংদা পাপ লংশিনবা তৌহৈদবা হৌনদবা, মপা –মপু চেন্থবা, ইকায় খঙদবা মখোয় মখোয়গী শাজৎ লীচৎ অদু অমুক্তং মশানা খঙনা শেমদোকচনবা খঙহনবীবা তাকপীবা য়াম্নমক দরকার ওইরবরা হায়না খঞ্জে। মতম চানা থিংহৌদবা তারবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীমাঙ থোকপা ইকায়বা চোপ্পা নংবা হায়বা অসিমদি শোয়দ্রবনি। য়ূমগী মচা–মশু, নুপী–অঙাংশিংনসু হায়রিবা ইকায় খঙদবা অহল–লমনগী ফমফম ফীদা মুন্দুনা মান্দব ময়াই ফল্লিবা মমায় য়োল্লগা মীগী চাকলূক মুল্লিবা মখোয়বু ইমুং মনুংনা ফজনা ৱারী শাবীদুনা মতুংদা তৌহৈদবা থবক অসি তৌদনবা ফজনা হায়বিবা মথৌ তাই। মখোয়না মমায় য়োল্লগা পুরকপা পৈশা অদুখক্তং উবীবদি ইমুং মনুংসু নোংমা শোয়দনা মীমাঙ থোকপা ইকায়বা নঙগনি। অৱাবা নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা ইমুং অমদা কনাগুম্বা অমা লৈতবা নৎত্রগা নুংঙাইবা থৌদোক হায়রগনা ইচা–ইশু য়ুম্বাল পুন্সিদা নৌনা খোঙদাবগী লুহোং–কৈহোংবা ওইরবসু থবক থৌরম পাঙথোকপদা হায়রিবা ইকায় খঙদবা মীওইশিং অসি লাক্কনি খনবদা থৌরম্বু পাঙথোক্কদৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং তশেংনা তনবা ফাওনরবনি। লৈকাইদা লৈমিন্নবা ওইরুবনা মখোয়বু চেবাও অমা পীদবসু য়াদবা কান্থোক্লগা চৎপসু ঐখোয়গী চৎনবীনা য়াদে। ঐখোয়গী চৎনবীদি মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্তুগী য়াম্না থাক ৱাংনা লৈজবা চৎনবী অমনি। করিগুম্বা থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা কৈরোই লৈকাইদা লৈমিন্নজরিবা মীপুম খূদিংমক শরুক য়ামিন্নবা অৱাবগী ওইরবসু নুংঙাইবগী ওইরবসু থৌদোক থোক্লিবা ইমুং অদুখক্তং ইনথোক্তুনা থম্বা ঐখোয়গী খুনাইসিদা খক চৎনদে। মরম অদুনা লৈকাইদা পুন্না লৈমিন্নরিবা খূদিংমক থৌরমদুগী চেবাও পীবা হায়বসে ঐখোয়গী চৎনবীনি। অদুবু হায়রিবা মীওইশিং অসিগীদমক্তদি তশেংনা থৌরমদুগী চেবাও পীবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হঙ্গোইবা তুক্কৎচবা পোক্লরবনি। মখোয়সি লাক্কনি খনবদা থৌরম পাঙথোকচরিবা ইমুং মনুং নুংনাংবা নুংঙাইতবা খোইদৌ শাওগৎপা ইমুং –মনুং মহি লাংবা কয়া থোক্তবা নত্তে।

ইমুং –মনুংনা চৎচরগা খুরুমজরগা হায়জরুবা কৈরোই–লৈকাইগী ইপা–ইপল, অহল–লমনশিং অদুবু ফমহঞ্জরগা পাঙথোকচরিবা থবক থৌরমদুগী লৈতেং ওইহঞ্জগে খল্লুবা খূদিংমক ইকায় খঙদবা থক–খা নাইদবা পৈশাখক্তা মীহৌবা চৎন–লোনচৎ খঙদবা মমায় ইকায়বা খঙদবা মীয়াম্না করি হায়নরি করি ঙাংনখিনি হায়বা নীংশিংদবা মীওইশিং অসিনা থৌরম পাঙথোকচরিবা ইমুং মনুংগী নীংবা কায়নবা য়াওদবা নত্তে।

মরম অদুনা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থক–খা নাইদবা লীচৎ অসি তৌদনবা লৈকাই লৈকাইদা লৈবীরিবা মীপুম খূদিংনা ইশা ইশাগী ইয়ূমদা পাঙথোক্লগদবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপীবা মতমদা ইমুং –মনুংনা চৎলগা হায়জরুবা কৈরোই লৈকাইগী ইপা–ইপল, ইপুশিং অদুগী মমিং ইরগা ফক মচা মচা থাবীরগা থেৎপীবা চুমগদরা হায়না খঞ্জে। মদু নত্তনা ইকায় খঙদবশিংগী লম্বী থিংনবা উপায় লৈগদবা মান্দে। মসিমক নৎত্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ঐখোয় খুনাইনা চৎনবী অমা ওইনা পাঙথোক্লরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা খৎনবা চৈনবা মফমদগী মশা শাগন লাক্তু না চিংথোক্লবা ওন্থোক্লা ফজখিদরবা থৌদোক–ৱাথোক থোক্লক্লোই হায়বা ঙমদে। পেন্দবদগী শাওনিংবদগী ইকায়বদগী ইকায় খঙদবা মখোয়গী শাজৎ–লীচৎতগী কর্ম্ম শোঞ্জরিবা থৌরম পাঙথোকচরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং, মীয়াম খঙনা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকখিদবসু য়াই।